**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.45 PM**
**(Date: 09-05-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) পাকিস্তান্না লেহ্‌দগী সারক্রিট ফাওবদা ঙরাং নুমিদাং মফম ৩৬ দা দ্রোন ৪০০ রোম শিজিন্নদুনা ভারত তমা পাইশিল্লকবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমখিদ্রে ।

২) সরকারনা মিদিয়া চেন্নেলশিং, দিজিতেল প্লেটফোর্ম অমসুং লনাই মীওইশিংনা ঙাকশেলগী ওপরেসনশিং অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সকী থবক থৌরমশিং লাইভ কভরেজ পীদনবা এদভাইজরি থোকখ্রে।

৩) ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ্‌না চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ, জেনেরেল অনিল চৌহান, চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ, চীফ ওফ নেভেল ষ্টাফ, চীফ ওফ এয়ার ষ্টাফ অমসুং ঙাকশেলগী সেক্রেতরি রাজেশ কুমার সিংহ্‌গা ঙসি নিউ দিল্লিদা উন্নখ্রে।

৪) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ইম্ফাল সহর লু নালহন্নবা মহুদনা পায়খৎলিবা থবকশিং য়েংশিনখ্রে।
অমসুং

৫) কেন্দ্রগী হান্নগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ আর.কে. রঞ্জন সিংহ্‌না ঙসি তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা এম্বুলেন্সশিং খুৎশিন্নখ্রে।

------

প্রেস ঃ পাকিস্তান্না লেহ্‌দগী সারক্রিট ফাওবদা ঙরাং নুমিদাং মফম ৩৬ দা

দ্রোন ৪০০ রোম শিজিন্নদুনা ভারত তমা পাইশিল্লকবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমখিদ্রে । হায়রিবা দ্রোনশিং অদু ভারতকী আর্মদ ফোর্সেসনা কেনেতিক অমসুং নন-কেনেটিক শিজিন্নদুনা কাপথখি।

নিউ দিল্লিদা পাউগী মীফম অমদা ৱিং কম্মান্দর ভ্যোমিকা সিংহনা হায়-পাকিস্তান্না ভারতকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথরকখিবা এটেকশিং মায় পাকহনখিদ্রে। ভারতনা পাকিস্তানগী দ্রোনশিং কাপথদুনা মখোয়গী টার্গেৎ য়ৌহনখিদ্রে। অদুমওইনমক, অফবা মখলগী খুৎশু খুৎলায় শিজিন্নদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপনা মরম ওইদুনা ভারতকী লান্মী অমসুং মীচম মীয়ামশিং মীশি মীনা অমদি অশোক অপন খরদি য়াওখি।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ, জেনেরেল অনিল চৌহান, চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ, জেনেরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদি, চীফ ওফ নেভেল ষ্টাফ, এদমিরেল দিনেশ কে. ত্রিপাথি, চীফ ওফ এয়ার ষ্টাফ, এয়ার চীফ মার্সেল এ.পি. সিংহ অমসুং ঙাকশেলগী সেক্রেতরি রাজেশ কুমার সিংহগা ঙসি নিউ দিল্লিদা উন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা লৈবাক অসিগী হৌজিক ওইরিবা ঙাকশেলগা মরী লৈননা নোংচুপ থংবা ঙমখৈ পরিংদা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মতাংদা খন্নখি।

মরক অসিদা, গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা বোর্দর সেক্যুরিতি ফোর্স, সি.আই.এস.এফ অমস্ং ব্যুরো ওফ সিভিল এভিএসন সেক্যুরিতিগী দাইরেক্তর জেনেরেলশিংগী মীফম পাঙথোক্লি।

মিদিয়া ঃ সরকারনা মিদিয়া চেন্নেলশিং, দিজিতেল প্লেটফোর্ম অমসুং লনাই মীওইশিংনা ঙাকশেলগী ওপরেসনশিং অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সকী থবক থৌরমশিং লাইভ কভরেজ পীদনবা এদভাইজরি থোকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা ঙাকশেল মন্ত্রালয়না ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী হান্ননা থোকখিবা সারকুলর অমা পল্লদুনা হায়- সেক্যুরিতিগী ওপরেসন অমসুং থৌরমশিং লাইভ ওইনা উৎপা

অসিনা সেক্যুরিতিগী থবক থৌরমদা অপনবা থোকহনবতা নত্তনা মখোয়গী পুন্সি ফাওবা মাংবা য়াই। মন্ত্রালয়না কার্গিল ৱার, ত্বেন্তি সিক্স-এলেভেন মুম্বাই টেরর এটেক অমসুং কন্দাহার হাইজেক্কিংগী থৌদোকশিংদা মাংজোননা পাউ খঙহল্লুবদগী খুদোংচাদবা মায়োকখিবশিং পনখি।

এদভাইজরি অদুনা ষ্টেক হোল্ডর পুমমক্তা কভরেজ পীবা মতমদা মীকুপ নাহুম শিংনা অমসুং দাইত্ব খঙনা পাউ পীনবা হায়রি।

গভর্নর (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ইম্ফাল সহর লু নালহন্নবা মহুদনা পায়খৎলিবা থবকশিং য়েংশিনখ্রে। ইম্ফালগী রাজ ভবনদা ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা রাজ্যপালনা মহুৎকী ওফিসিয়েলশিংগা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অদু মতৌ করম্বা ফিভমদা লৈরি হায়না য়েংশিনখি।

মীফম অদু সম্মার্ট ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট বাইওরিমেদিয়েসন, ৱেষ্ট টু ইনর্জি অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর অপগ্রেদস হায়বনচিংবশিং অসিনা মরুওইবা ৱাফম ওইদুনা লুবা নানবা অমসুং অশং অমানতনা থল্লবা ইম্ফাল অমা ওইহন্নবগী মতাংদা খন্নখি।

চৈরাউ চীং (এল)ঃ হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি চৈরাউ চীং ইকো তুরিজম প্রোজেক্ট হৌদোকখ্রে।ইম্ফালগী চৈরাউ চীংবু লম কোইবশিংগী মশক নাইবা মফম অমা ওইহন্দুনা অয়েংবশিংগী পুকিং চিংশিনবা খ্বাইদগী নুংঙাইবা অমসুং ফজবা মফম অমা ওইনা শেমগৎনবা পায়খৎলকপা থৌরাংগী মনুং চন্না প্রোজেক্ট অসি পায়খৎপনি। শ্রী বিরেনগী সোসিয়েল মিদিয়া পোষ্ট অমদা ঙসি হৌদোকখিবা প্রোজেক্ট অসিগী মনুং চন্না চৈরাউ চীংদা শেমগৎলিবা ওপন জিম অসিনা মফম অসিদা কোইবা লাক্লিবা মীয়াম্বু হকচাং ফনা থমবা পুকি ং থৌগৎপদা অচৌবা মতেং ওইরগনি।

বিরেন (এল)ঃ ইষ্টানবুল জ়নিয়র য়ুরোপিয়ান কপ ২০২৫ দা মণিপুরগী জ়দোকা লৈশাংথেম নুংশিথোই চনুনা সনাগী তকমান ফংলকপদা হান্নগী মুখ্য

মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না থাগৎপা ফোংদোরক্লি। মহাক্কী সোসিয়েল মিদিয়া পোষ্ট অমদা শ্রী বিরেন্না হায়- নুংশিথোইগী মায় পাকপা অসিনা রাজ্য অসিগী শান্নরোইশিংদা পুকিং থৌগৎপদা চাউনা মতেং ওইরগনি। নুংশিথোইগী শান্নবগী খোঙচৎতা তুংগী পুন্সিদসু হেন্না মায় পাকপা ওইরসনু হায়রি।

মীফম (এল)ঃ মণিপুর সরকারগী ফেমেলি ৱেলফ্যার সার্ভিসেসকী দাইরেক্তরগী ওফিস চেম্বরদা ষ্টেট এদভাইজরি কমিতি, ষ্টেট এপ্রোপ্রিয়েট ওথোরিতি অমসুং পি.সি-পি.এম.দি.টি সেল মণিপুরগী ওইবা অপুনবা মীফম পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর সরকারগী ফেমিলি ৱেলফ্যার সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডাঃ এন. হেমন্টা কুমারনা সভাপতি ওইখিবা প্রিকন্সেপসন এন্দ প্রিনাটা দাইগোষ্টিক্স (প্রোহিবিসন ওফ সেক্স দিটরমিনেসন) নিংথিনা চৎনহন্নবা অমদি য়েংশিন্নবগী মতাংদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা পি.সি-পি.এম.দি.টিগী ষ্টেট নোদেল ওফিসার ডাঃ শুজাতা হুইদ্রোম অমসুং আই.পি.আরগী জোইন্ট দাইরেক্তর তেনশুবম সঙ্গিতানচিংবসু শরুক য়াখি।

নর্স (এল)ঃ ইন্তরনেসনেল নর্স ৱিক ২০২৫ গী থৌরম অৱার নর্স, অৱার ফ্যুচর কেরিং ফোর নর্সেস ষ্ট্রেংথন্স ইকোনোমিক্স হায়বা হিরমদা ঙসি ইম্ফালগী রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী জ়্বিলি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ত্রেন নর্সেস এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া (তনাই) অমসুং ষ্টুদেন্ট নর্সেস এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া (সনাই), মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা মণিপুর সরকারগী হকশেল বিভাগকী দাইরেক্তর ডাঃ চন্বো গোলমৈনা হায়- হেলথ কেয়ার প্রোফেসনেলশিং মপুংওইনা নর্সশিং, ডোক্তরশিং অমসুং পেরা মেদিকেলশিং অসিনা হকশেলগী য়াংলেন শরু ওইরি। ঙল্লিঙৈ মতমদা নর্সশিংগী কোর্সতা মহৈ তম্বগী চৎনবী লৈরমদে। অদুবু ঙসিদি অনা লায়েং য়াওনা হকশেলগী লমদা খুমাং চাওশিন্না

চংশিল্লকপা অসিগা ইরোয়ননা মতমগী হোংলক্লিবা অহোংবা কয়া অসিদা হকশেলগী লমদা নর্সশিংনা রাজ্য অসিগী লোইজিং লোয়া অমদি মনুং হুঞ্জিনবা মফমশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। অসুমা নর্সশিংনা হকশেলগী লমদা লৌরিবা থৌদাংশিং অসি ইশামক্কী মাইকৈদগী থাগৎপা ফোংদোক্লি হায়না ডাঃ চম্বোনা মখা তাখি।

শান্ট (এল)ঃ অৱাং নোংপোক ভারতকী রাজ্যশিংগী মনুংদা মণিপুরগী ডোক্তর অহন্থেম শান্টানা অন্ধ্র প্রদেশ অমদি তেলঙ্গনাগী ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস)কী একজিক্যতিভ দাইরেক্তর ওইবা অহানবা মীশক ওইরে । ডাঃ শান্টা হৌজিক হৌজিক এইমস মঙ্গলাগিরিগী একজিক্যুতিভ দাইরেক্তর ওইনা থৌ পুরিবগী মথক্তা মহাক হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যার মন্ত্রালয়না এইমস বিবিনাগরগী একজিক্যুতিভ দাইরেক্তরগী ফম পুনবা খুৎশিন্নরকখিবনি। নিংশিংবা য়াই, প্রোফেসার অহন্থেম শান্টা চহি তরাগী মথক্তা ওপসট্রেতিক্স অমসুং গাইনিকোলোজিগী স্পেসিয়েলিষ্ট অমা ওইনা থবক থৌরম কয়া তৌরক্লবা সেনিয়র একাদমিসিয়ান অমদি হেলথ কেয়ার এদমিনিষ্ট্রেটর অমনি। ডাঃ শান্টানা এইমসকী মঙ্গলাগিরিদা থবক পুরিঙৈ রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালগী দাইরেক্তর ওইনসু থৌ পুরমখি।

কেম্প (এল)ঃ ৱিংস ওফ হোপ চেরিতেবল ট্রষ্টনা অরবান হেলথ এন্দ ৱেলনেস সেন্তরগা খুৎশমনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী কৈশামথোং মোইরাংনিংথৌ লৈরক্তা লৈবা সনা জন্মস্তান ক্লবতা জেনেরেল হেলথ চ্যেকঅপকী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা ৱিংস ওফ হোপ চেরিতেবল ট্রষ্টনা শৌগৎলিবা ইমুং ৩৫ অমসুং অঙাং ৫৪ দা লায়েংবগী খুদোংচাবশিং পীবগা লোয়ননা হিদাক লাংথকশিংসু খুৎশিন্নখি।

রঞ্জন (এল)ঃ কেন্দ্রগী হান্নগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ আর.কে. রঞ্জন সিংহনা ঙসি তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা এম্বুলেন্সশিং খুৎশিন্নখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কোংবা নান্দেবম লৈকাইদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা এম.পি. লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দ ২০২৩-২৪ গী মখাদা এম্বুলেন্সশিং অদু য়েন্থোকখিবনি। ঙসিগী ওইনা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ, ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চশিংদা এম্বুলেন্সশিং অদু খুৎশিন্নখিবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ডাঃ রঞ্জন্না হায়- এম্বুলেন্সশিং অসি মহাকা এম.পি. ওইরিঙৈদা য়েন্থোকপগী খুদোংচাবা ফংখিদবনা ঙসি য়েন্থোকপনি। পুন্না এম্বুলেন্স ৯ রাজ্য অসিগী জিলাশিংদা পীগদবনি। ডাঃ রঞ্জন্না হায়- এম্বুলেন্সশিং অসি পীবগী মরুওইবা পান্দমদি- অনা অয়েক য়াওরকপা মতমদা খ্দক্কী ওইবা মতেং পাংনবগীদমক ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতিদা এম্বুলেন্সশিং অসি পীবনি। ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা এম্বুলেন্সকী তঙাইফদবা অদু য়েংলগা খুৎশিন্নবনি। মহাকা হায়- কোর্পোরেট সোসিয়েল রেস্পোসিবিলিতি (সি.এস.আর) স্কিমগী মখাদা ওইল ইন্দিয়া, ভারত পেট্রোল্লিয়ম অমসুং হেভি ষ্টিলগী মখাদা রাজ্য অসিগী ওইনা অমোৎপা খোমগৎনবা ঈ-রিক্সো ৫৩ খুৎশিন্নখ্রে। মসিগী মথক্তা স্কুলশিংদা সোলর প্লান্ট আর.ও. ৱাটরশিং স্কুলশিংদা পীখ্রে।

ককচিং (এল)ঃ ককচিং জিলাগী পুমলেন পাৎকী শরুক্তা অরোং খুনৌগী মফমশিংদা উচেক ফানবা থাক্লম্বা লাংদা থুরম্বা উচেক ৭ ৱাইখোং ফোরেষ্টকী পার্সোনেলশিংনা কনবা ঙমহৌরে। মফমশিং অসিদা উচেক ফানবগীদমক লাং থাক্লে হায়বা পাউ জোহন্ট কোওর্দিনেসন কমিতি ওন ৱাইল্ড লাইফ এন্দ বাইও দাইভর্সিতি মণিপুরনা পীরকপদগী ৱাইখোং ফোরেষ্টকী কাংবু অমনা মফম অদুদা চংশিন্দুনা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা উচেকশিং অদু কনবা ঙমখি অমদি মফম অদুদা থাক্লম্বা লাংশিং লৌখৎখি। ফাগৎলবা লাংশিং অদু ককচিং জিলাগী রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসকী ওফিসারদা মাংহনখিনবা খুৎশিন্নখি।

ডে (এল)ঃ নেসনেল টেকোলোজি ডেগী থৌরমগা মরী লৈননা ইম্পৱারিং এ সষ্টেনেবল টুমোরো থ্রু ইনোভেসন হায়বা হিরমদা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা এ.আর.পি.এস স্কুলদা সাইন্স একজিবিসন অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। একজিবিসন অদুদা স্কুল অসিগী ক্লাই থ্রিদগী তুয়েল্ব ফাওবগী মহৈরোই পুন্না ১৫০ রোমা ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্স, মেকানিকেল ইনর্জি, ছোর্স ওফ ইনর্জি আর্থ সাইন্সকী মতাংদা মহৈরোইশিং অসিনা শেম শারবা মোদেলশিং উৎখি।

সেনিয়র সিতিজন(এল) ঃ লম্বোই খোঙনাংখোঙ সেনিয়র সিতিজন্স ফোরমনা শিন্দুনা উপাল থাশি, মালেম ইমাবু কনশি হায়বা হিরমদা লম্বোই খোঙনাংখোঙ লৈকাইগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ইনভাইরোনমেন্ট অমদি ক্লাইমেত চেঞ্জগী জোইন্ট দাইরেক্তর নিতা অরাম্বম, লম্বোই খোঙনাংখোঙ সেনিয়র সিতিজন্স ফোরমগী চেয়ারমেন চোংথাম শুর অমদি পোকফম পাউচেগী ইদিটর অরিবম রোবিন্দ্রো শর্ম্মসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মণিপুর য়াওনা মালেমগী লৈবাক কয়াদা উপাল ৱাপালশিং কোকথোরকপদগী মহৌশাগী খলদা অকায়বা কয়া থোরক্লিবা অসিদগী খরা মখৈ ওইরবসু কনবা ঙমবগীদমক উপাল ৱাপাল মরাং কায়না থাদুনা অশং অমানতনা থল্লবা লমদম অমা ওইহান্নবা হোৎনশি হায়খি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল (এল)ঃ অনিসুবা প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি লমলোং থোংখোঙ আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা- য়ু.দি.ও অমসুং অনৌবা ইমাগী মঙাল অনিনা লম্বা থেংনখিবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা- অংথা এফ.সি অমসুং এথলেতিক ব্রদরস এসোসিয়েসন অনিনা লম্বা থেংনবদা পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

ফুটবোল (এল)ঃ তকৱা ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- অপুনবা এফ.সি শগোলবন্দনা এস.দি.সি শমুরৌবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ সিটি ক্লব গ্রাউন্দ হৈরোক লিতান মখোঙদা চত্থরিবা অহুমশুবা মাইপাকপী মেমোরিএল ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা- ফুটবোল লভরস মণিপুরনা মাইপাকপী মেমোরিয়েল এফ.এবু পাঞ্জল ৫-২ দা, সনা এফ.সি থৌবালনা কংলৈপাক পারিবু পাঞ্জল ৩-১ দা, রবি জ্বেল্লরি ককচিংনা শুর হোস্পিতাল এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

ক্রিকেট (এল)ঃ অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-আর.সি.এ লিলোংনা সেদো থাংমৈবন্দবু রন ৩১৩ দা, পি.সি.সি ময়াই কোইবীনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দবু রন ৯১ দা, পি.টি.সি.সি পাৎশোই পার্ট থ্রিনা মোদেল শিংজমৈবু রন ৩৪ দা অমসুং ই.এস.য়ু ৱাংখৈ পেলেস কম্পাউন্দনা ব্লু হোক খুরাই লমলোংবু ৱিকেট ৫ দা থোইখি।

টেন্নিস (এল)ঃ ওল মণিপুর সিভিল সার্ভিস টেন্নিস তুরনামেন্ট ২০২৫ ওল মণিপুর সিভিল সার্ভিসেস টেন্নিস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ঙসিদগী ইম্ফাল লমফেলপাৎতা লৈবা ওফিসারস ক্লবতা ঙসিদগী হৌখ্রে। তুরনামেন্ট অসিদা মণিপুর সরকারগী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী শান্নরোই ২৪ শরুক য়ারি।

------